ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, জুলাই ১১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১০৮শুবা মশীং

ওক্সিটোক্সিন থিংখিবা

মণিপুরদসু মপুং ফানা চৎনহনবা তঙাই ফদে

হৌখিবা জুলাই ১ দগী লন্নাই হীদাক-লাংথক পুথোকপশিংনা ওক্সিটোক্সিন পুথোকপগী থৌওং অথিংবা থমখ্রে। ওক্সিটোক্সিন হায়বসি হোর্মোন মখল অমনি। মসিনা অঙাং উনগদৌরবী নুপী অমদা য়ুটেরাইন চপশিনহন্দুনা অঙাং উনবদা খুদোংচাহনবগা লোয়ননা নৌনা মমা ওইরক্লিবী নুপী অদুদা খোল্লাং থোকহনবদা মতেং পাংই। হোর্মোন মখল অসি পীশক পীক্লা হেক্লকপা মাইরেন, তরবুজ, খামেন, তোর্বোট অমদি থবীনচিংবা চাওখৎহনবদসু শীজিন্নৈ। কনাগুম্বা মীওই খরনা অরানবা মওংদা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা শীজিন্নরকপদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা লন্নাই হীদাক শুংবা কম্পনিশিংদা ওক্সিটোক্সিন পুথোকপা য়াহনখিবদনি। হৌজিক্তি কর্নাটকা এন্টিবাইওটিক্স এন্দ ফার্মাস্যুটিকেলস লিমিটেদ (কে এ পি এল) কৌবা পব্লিক সেক্টর কম্পনি অমখক্তদা হোর্মোন মখল অসি পুথোক্লবগী অয়াবা পীরে। ৱাথোক ওইরবা হোর্মোন মখল অসি মপান লৈবাক্তগী চেনবা অমদি য়োনবগী মতাংদসু য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা অথিংবা থল্লে। কর্নাটকা এন্টিবাইওটিক্স এন্দ ফার্মাস্যুটিকেলস লিমিটেদনা রেজিষ্টর তৌরবা হোস্পিটাল অমসুং ক্লিনিক খক্তদা ওক্সিটোক্সিন সপ্লাই তৌরগনি। লন্নাই ফার্মাসি নত্রগা হীদাক-লাংথক য়োনবা দুকান অমত্তদা হোর্মোন মখল অসি য়োনবা য়াহল্লরোই হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী রেজিষ্টর তৌরবা হোস্পিটাল অমদি ক্লিনিক পুম্নমক কর্নাটকা এন্টিবাইওটিক্স এন্দ ফার্মাস্যুটিকেল লিমিটেদকা হকথেংননা পাউ ফাওহননবসু খঙহনখ্রে। দেরি ফার্ম তৌরিবা মীওই অমদি মনা-মশী পুথোক্লিবা লৌমী খরনা অরানবা মওংদা ওক্সিটোক্সিন শীজিন্নবা য়াহনদনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। ওক্সিটোক্সিন মরাং কায়না পুথোক্লগা পাক-শন্না য়োল্লকপদগী মীওই খরনা হোর্মোন মখল অসি অরানবা মওংদা শীজিন্নরক্তুনা শা-ঙা অমদি মীওইবগী পুন্সিদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপনি হায়না কুমজা ২০১৬ তা হিমাচল প্রদেশ হায় কোর্টনা পীবা ৱায়েল অমনা ফোঙদোকখিবনি।

ব্রেষ্ট অমদি য়ুটেরস য়াওনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিং মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহল্লিবা ওক্সিটোক্সিননা রিপ্রদক্টিভ সিষ্টম কন্ট্রোল তৌদুনা অঙাং উনবা অমসুং খোল্লাং শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌই। অদুবু খুৎশেমগী ওইবা মওংদা শেমগৎপা হোর্মোন মখল অসি শীজিন্নবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদি থম্মোয়গী মীহুল তাম্থা কায়রকপা; অঙাং উনরবা মতুংদা কা হেন্না ঈ হাথরকপা; কোক চীকপা; ৱাখল চমন্নরকপা; লৈয়েং ফাইরকপা; ৱাখলনা শাগৎলগা মীৎতা মশেল মরাং উহৈদবা থৌদোকশিং উরকপা, কা হেন্না ওবা; হকচাং চোকথবা; মশল চেনখৎলকপা; নিংশা থবেৎ-থবেৎ হোল্লকপা; য়াঙ চিংলকপা; খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা; নাকোংদা ঙংবগী মখোল অমা তাবা, লোয়ননা মায়-মীৎ, চীন-লৈ নত্রগা খনাউদা পোমখৎলকপা অসিনচিংবনি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না নোংমা-নোংমগী মীশিং হেনগৎলকপনা ওইহল্লক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদনি। মীশিং হেনগৎলক্লবসু লমগী পাক চাউবদি হেনগৎলক্তবনা ইংখোল মচেৎ অমগীদমক পোকমিন্নবা মচীন-মনাও ফাওবা থাঙ শৎনবগী ফিভমদা লাক্লে। ঐগী শোয়দ্রগা লোইরে হায়বা ৱাখলনা মাঙ থাখিবদগী নুংশিখ্রবা মচীন-মনাও পুম্নমক য়েক্লবা ওইনা লৌনরক্লে। অমরোমদা মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না পোৎথোকসু মরাং কায়না পুথোক্লবনি হায়দুনা কেমিকেল য়াওবা হার অমদি তীলহাৎ হীদাকশিং পাক-শন্না শীজিন্নরক্লে। মসিনা পাম্বী, লৈবাক-লৈহাউ অমদি অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিত্তা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহল্লক্লি। পোৎথোক হেনগৎহন্নবনি হায়না শীজিন্নরিবা হারদা মরু ওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবা নাইট্রোজেননা লৈবাক লৈহাউগী পি ঐচ দা অকায়বা থোকহন্দুনা লৈবাক লৈহাউবু কা হেনবা মওংদা এসিদিক নত্রগা অলকলাইন ওইহল্লকই। হার চাইবা মতমদা পাম্বীশিং খোঙহৌ থুনা চাউখৎলকপগুম অকোয়বদসু নাপী কয়া মরাং কায়না হৌগৎলকই। মসিগীসু মথক্তা অফবা পাম্বীশিং তীলনা পাম্মী। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা তীলহাৎ-হীদাক অমদি নাপী হাৎনবা হীদাক শীজিন্নবগী মথৌ তারকই। হারদা য়াওবা নাইট্রোজেন, তীলহাৎ হীদাক অমদি নাপী হাৎনবা হীদাক্তা য়াওবা কেমিকেলশিং লৈনুংদা চঙখ্রগা ঈশিংদা তিনখিদুনা ঙাশিংদা অকায়বা পী। ঙা অদু চারুবা মীওইদসু হকচাং শোকহল্লি। হীরম অসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

টিচরস ইলিজিবিলিটি টেষ্ট

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মণিপুর লৈঙাক্লা মশাগী মরোমদোমগী অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিৎয়েং খাদা মখল মখাগী নোমুনা কয়াগী ওজা কয়া লৌবিরি অমসুং লৌবা য়াবা অহাংবা অহোবা কয়াসু লৈরিবনি। মসিদা মপূং ওইনা থমজনীংবা ৱাফমদি মণিপুর লৈঙাক্কী থৌশিল অমগী মখাদা মণিপুরগী সেকেন্দরি বোর্দনা কুমজা ২০১৩গী মার্চকী ২২দা পাঙথোকখিবা টিচরস ইলিজিবিলিটি টেষ্ট (টি ঈ টি) পাস তৌখিবা মীওই কয়া অমদি মায় পাকহৌদ্রবা মীওই কয়া য়াওখ্রে। মদু ইচম চম্না পাঙথোকপা চাংয়েং ওইখিদবনি। চাংয়েং অদু লৈঙাক্লা ওজা লৌবদা লায়না অমদি কোম্না থোইদোক্লা মতিক চারবা ঙাক্তা লৌননবা পাঙথোকখিবা টেষ্ট মখল অমনি। মতম অদুদা মীয়াম্না শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা চাংয়েংদা মায় পাল্লবা মীওই কয়া থেঙ্খাং নাইনা ওজা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা পীবিরকপনি খনখিবনি। মসি মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওখিবা অচুম্বগী ৱাখল পরিংনি। লৈঙাক্কী ওজা কয়া লৌবিখ্রে অদুগা লৌবীগদবা ওজা ময়াম অমসু ৱাৎলিবনি। ঙসি মণিপুরগী চীং তম অনীমক অপূনবা জিলা ১৬ অসিদা জিলা অমদা য়ামদ্রবদা থবক্তগী পোথাখিবা ওজা ৫০০দগী তাদনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা পোষ্ট ময়াম অমা হাংদুনা হোদুনা লৈবনা স্কুল খুদিং ওজা ৱাৎপগী মরম অমা চাউনা লৈরিবা অসিননি। মসিদা টেষ্ট অসিদা পাস তৌরবা কয়াগী মফমদদি ঙসিগী লৈঙাক্লা থাংজিনগদবা মফম অহাংবা লৈনা লৈনা থাংজিনবীদবা অমসুং মখোয়গী মফম পীবিদনা লৈরিবা অসিগী মরম অমা লৈঙাক্তগী তশেংনা খঙনীংবা অসি ঙসিগী মীয়াম্না লাংতক্লরি। মসিগী থৌশিল অমত্তা লৈররোইদ্রা? তশেংনা ওজা মহুৎ হাপ্তবদি নত্তে। ওজা কয়া হাপখিবা মদুসু কনাদা পীবনো হায়বা ঙমদ্রবসু পৈশা চবুল চবুল পীনখিবগী নুংশিৎকী পাউনা তাখিবা লৈখ্রে। অশেংবা খঙদ্রবসু পৈশা পীহৌদবা কয়া মায়থীবা নংবা য়াওরি। তশেংনা নুংশিৎ শিৎতনা ঊনা লেংবদি তৌরোই। অসিগুম্বা অসিনা এদ্যুকেসনগী হীরম অসি অচৌবা অহোবা অমা অদুম লৈরিবনি। মসিনসু লৈঙাক্কী স্কুল কয়া মায়থীনবা অচৌবা মরম অমনি। ঙসি ঙসিমক ওজা ৪/৫দগী হেন্দ্রবা মথং মথং পেন্সন চৎনখিদুনা ক্লাস থ্রিদগী টেন ফাওবদি লৈবা খুঙ্গংগী লমদা স্কুল কয়া লৈরিবনি। লন্নাইগী স্কুলদা অচৌবা ফী পীদুনা মচা মশু তমহনবদি ঙমদবা স্কুল কয়া অসিদা তমহন্দ্রবদি মহৈ তম্বা তোকপা তারবা অদুগুম্বা মীওই কয়া অমগী মচা-মশু কয়াসু লৈরিবা অসি ঙসি লৈঙাক্লা অমদি লোইশঙনা উবিদ্রিবনি। অসিগুম্বা ৱানা থৌশিল অমগী মখাদা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুগী মহয় ফংহনফম থোকই। শীজিন্নরোইদবা মহয় ফংহল্লোইদবা চাংয়েংদি ৱাই চিন্নবা, লৈঙাক্কী পৈশা তিংনবা করিগী পাঙথোকফম থোকপগে?

অমুক্তা এদেদ স্কুল অয়াম্বগী ওজা কয়া থবক্তগী পোথাখিবা অদু চহী অনী-অহুম মহুৎ হাপ্পীদনা লৈবনা এদেদ স্কুল কয়া অৱাবা অঙকপা ফংনা মায়োক্লরে। মহৈরোয় লৈবা লৈতবা অদুগীদি অরাপ্পা অনকপা য়েংবীদুনা মফম চারে খন্না স্কুল লীংদুনা মদু রিকগ্নাইজ পীবিদুনা লৈত-লায়র মীয়ামগী য়েংবীদুনা গ্রান্দ পীবা য়ারে খন্না য়াম্না মরম চানা মতম অদুদা পীখ্রবনি। হৌজিক লন্নাই স্কুল খরদা মহৈরোয় খরা চৎখ্রগা এদেদ স্কুলদা তাইনবা অচৌবা অশোনবনি। করিগুম্বা লন্নাই স্কুলদা থাজিল্লুরবা মমৈদা ঙল্লক্রবা নৎত্রগা ফেল ওইরক্লবা মহৈরোয় কয়াগী রুম অমদি থম্ফম থোকই খনবীগদবনি। মরমশিং অসিনা অহাংবা পোষ্ট হাপ্পীদবা অসি তশেংনা অচৌবা অশোয়বা অমনি। মসিবু কুইনা নমশিনবা হায়বসি এদ্যুকেসন হায়বসিদা চলাইবা তমথীবা অমুবা আইন মখল অমনি হায়দবা য়ারোই। হীরম অসিদসু লৈঙাক্লা খরা কৃপ্পা খন্থবীদুনা থৌশিল অমদি শেন্দ্বীদুনা অথুবদা দি পি সী পাঙথোকপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মসিনা লৈত-লায়র কয়াগী য়েংবীবা অমদি চিনগা খুৎকা মান্নবনি খনবীবা, মীয়াম্না থোইদোক্ল থাজবা অমা শোয়দনা ওইগনি। অরোইবদা এদেদ ওইসনু, টি ঈ টি অমদি লৈঙাক্কী ওজাসু ওইসনু তৌফম থোকপা খরদি তৌবীয়ু মতম চানা, ঈরাং ঈহৌ ঙাইবীগনু 'এ ষ্টিস ইন টাইম সেভ নাইন' হায়বসু কাউদবা চুমগনি।

অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়

কনানা হায়বা থাজগদৌরিবনো?

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

চহী কয়া চঙনা ঐখোয়গী হৌখ্রবা ইপা-ইপূনা থন্বীরম্বা ঙমখৈদা ঙাইহাক লৈতনা মনুং অমসুং মপান্দগী শিংনরক্লিবা অসি হন্দক্তি য়াম্না তোইশিল্লক্লে। মাঙবা য়াবা মাঙলবা মতুংদা লমদম অসিগী মীয়ামদা ফাওরিবা পেন্দবা কয়া ঙসিদি মথি ফোংলক্লে। ঙমখৈগীদমক লমদম অসিগী তাঙলবা মীওই কয়াগী পুন্সি পীখম্নখ্রবনি, থৱায় কৎখ্রবনি, মসিদি পুৱারীনা লেংদ্রবা খুদম ওইদুনা লৈরিবনি। ঙমখৈগী ৱাফম অসি তরাইনা লৌবা য়াদে। ঐখোয়গী অরিবা পুৱারীশিংদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী হাক্তক্তগী মসিগীদমক লান কয়া থোক্তুনা মীশি মীনা কয়া য়াওনখ্রবনি। সিদি পংহায় হায়জিনবা নত্তে। হায়জিনবা য়াবসু নত্তে। পাকখ্রবা লমদমসিগী ঙমখৈগী ৱাদি তোক্লো, চাউবগী ইঙ্খোলদা তোম্বনা নালা খজিক্তং খোপলুবদা থাঙ চাইনরিবা, চহী কয়া কেস চত্থনরিবা লমদমনি। লম হায়বসি খুজিন মমায় অমগা কিলোমিটর অমগা মান্নরিবনি। নুপী অঙাংগা, লৌরি য়ূম্ফমগা হায়নরিবনি। ফাগী তৌবা য়াবা নত্তে।

অপূনবা লৈঙাক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু হীরম অসোমদা য়াম্না কৃপ্পা পূক্লিং চঙশিল্লিবনি। পাকিষ্টাননা চাইনানা লমগী মতাংদা হৌরকপা থিলহৌ কয়াগী লালহৌদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মমল তাঙল-তাঙলবা নোংমৈ টোপ কয়া শীজিন্নদুনা নুংতিগী ঙমখৈদা কাপ্পীবনি। ইচং থৌরবা লান্মীগী মীওই কয়া মফম মফমদা দিপ্লোই তৌদুনা ঙমখৈ ঙাক্লবা থল্লিবনি। অদুগুম্লবা তাঙলবা মমল য়াম্লবা আর্মি কয়াগী পুন্সি কয়াসু পীখম্নখ্রবনি। মদুগীদমক শিরবা মতুংদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মনা মথুম পীদুনা অমদি নুমিৎ অমা থওইনা কায়থোক্তুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিবনি। কাশ্মীরদা ঙমখৈগীদমক থৱায় থাখ্রবা মীশিং হৌজিক কয়া শুরবগে হায়বা থিবা ঙমদনা লৈরিবনি। হৌজিকসু লান লেপত্রিবনি। নোংমৈ কাপ্নরিবনি। কাশ্মীর খক্তগী ৱা নত্তে। অরুনাচল প্রদেশতা চাইনানা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অমদি মখোয়গী লান্মী চঙশিল্লকপগী অচৌবা ৱাথোক ময়াম অমা লৈরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খ্বাইদগী মকোক চিকপা থবক কয়া নুমিৎ খুদিংগী তৌরিবনি। অচৌবা শেনফম কয়া থাদদুনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ কায়দনবা হোৎনরিবনি। মসিগীদমক মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা মমিৎ লাউথোক্তুনা ইন্দিয়াগী চেকশিন থৌরাং কয়া অসিবু য়েংলিবনি।

মণিপুরদদি কদাই? মণিপুর হায়বসি ইন্দিয়াগী মনুং চনবা অপীকপা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসিগা ম্যান্মারগা তাইনরি। ম্যান্মারগী লান্মীশিংনা মণিপুরগী লমদা হায়বদি ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা মখোয়গী চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলক্লিবা, ঙমখৈ শম্বল হেনজিন্না খাজিল্লক্লিবা। মতম শাংনা ইন্দিয়ানা উদুনা লাক্লি। ম্যান্মারদা মণিপুরগী ওইনা লৈজরম্বা লম কয়া খুদোল ওইনা পীথোকখিবগী ৱাফম কয়া লৈরি। চাউখ্রবা কবো তম্পাক লেম্না পীথোকখিবগী ৱাথোক হৌজিকফাওবা নিংদোন পোম্নদুনা লৈরিবনি। অসিমক্তদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মণিপুরগী ঙমখৈদা শাথিনা হঞ্জিন-হঞ্জিন শীংনরি। কুইরে ঙমখৈ নূং য়ূম্বী মাঙবগী ৱাফম লাক্লিবসি চহী ২৫ মুক্কী মমাঙদগী হৌনা মসিগী ঈরাং অসি লৈরবনি। হন্দক ইকুই কুইদনা বোর্দর পিল্লর অমা অনী ক্বাথা খুনৌ লানশিন্দুনা অহিংদা য়ুংশিল্লম্বগী ৱাফম লৈখ্রে। ইহান হানবা ওইনা তেংনৌপলগী দি সীনা মফমদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা লম য়াম্না হেনজিন্না লোন্না ম্যান্মারনা পিল্লর য়ূশিল্লম্মে হায়বা অসি খঙলকপনি। মহাক্তি করিগুম্বা মওং অমদা সাইন তৌরোই, মণিপুরগী লম মাঙবা য়ারোই হায়না ইচঙ থৌনা হায়রকপদগী ইস্যু অসি খঙনরকপনি। য়ু সী এমনা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা হায়রিবা নূংবী অদু অমুবা মচু তৈশিল্লম্মী, নোংঙানবগা কোংগ্রেসকী এম এল এ খরনা মফমদুদা চৎতুনা য়েংলুবদা অমুক ম্যান্মারনা অঙৌবা মচু শংজিল্লম্বা মীয়াম পুম্নমক মিদিয়াদগী খঙবা ঙমখি। ৱাফম অসি হৌজিক অমুক ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লমগী মতাংদা য়েৎনবা করিসু লৈতে, মীওই খরনা হায়রগা য়েৎনবা লৈ হায়না হেক্তা লৌগদবা নত্তে হায়না হায়রকপা অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু য়েৎনবা থোইনা লৈতে হায়রকপদগী ৱাফম অসি কনানা হায়বনা চুমগদৌরিবনো হায়বগী নুংবংনবা অমা মীয়াম মরক্তা লৈরে। ক্বাথা খুনৌদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি খুনগী লুচিংবা অমদি কাঙলূপ অমগী চীংগী লুচিংবা অমনা হায়বা ৱাদুসু লম অসি ইপা ইপূ হাক্তক্তগী মণিপুরগী ওইনা লৈরম্মী। হন্দক্তা ম্যান্মারনা তৌরক্লিবা থৌওং অসিদদি ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা শিংনবনি হায়রোইদবগী মরমদি লৈতবনি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মসিদা য়েৎননীংঙাই করিসু লৈতে হায়রকপা অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামদদি অঙকপা অমদি অকিবা অমা পোকহল্লি।

ইন্দিয়না অতৈ ষ্টেটশিংদা হায়বদি কাশ্মীরদা, অরুনাচলনচিংবদা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি য়েংলগা মণিপুরগী ঙমখৈদা শিংনরে হায়না হায়রক্লিবা অসিদদি করিসু থোইদোক্লা চিংনবা লৈতনা ইরায় লায়না হায়বা মানবা ৱাফম অমা ফোঙলকপসি কয়া য়াম্না চুম্লবগে হায়বা ৱাফম অসি নৈনবা য়াই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ওফিসিএল অমত্তা মমাঙদসু লাক্তুনা য়েংশিল্লখিবা লৈতেসু হায়রি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা অসাম রাইফলসনা পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ঙমখৈদা করিসু অকায়বা লৈতে হায়না হায়রিব্রা নৎত্রগা লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না হায়বনা চুমগদৌরিব্রা? ৱাফম অসি কদাইদনো কনাদনো অশোয়বা অমদি ইয়াও য়াওনবা মাল্লি। মীয়াম্না হায়নরক্লিবা অসিনা চুম্লবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াম্না তরাই তরাইনা লৌদুনা য়েৎনবা লৈতে হায়না হায়রিবা অসি ইন্দিয়াগী ঙমখৈসি কাশ্মীরনচিংবা অতৈ খরখক্তদা ঙাক শেনগদব্রা হায়বা ৱাহং অমা মশা মথন্তা থোকচরক্লি। ইন্দিয়াগী অতৈ ঙমখৈদা লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইদুনা আর্মি বি এস এফ ময়াম থমদুনা ঙাক শেলহল্লি, নোংমৈ মরূ কয়া অমা কাপ্পী। মণিপুরদদি নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা কাপ্তনা নোংমা নোংমগী ঙমখৈদা লম ময়াম অমা মাঙশিল্লক্লি। য়েংদুনা অসুম লৈবা ঙল্লক্তবা পেন্দবা ময়াম অমা থোরক্তুনা নখোয়না ঙাকপীরোইদবা ওইরবদি ঐখোয়না থোকপা ঙাকচরগে, নখোয় য়াওবিরনু হায়রক্লদি কুম্মৈ তানবা শোয়দ্রে। হায়রক্লোই হায়নীংঙাইসু লৈতে।

য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙবদা অমদি থবক তৌবদা চেকশিনবা অমা চঙই। ৱাহৈ অমনা মীয়ামগী থম্মোয় ওলহনবা ঙম্মী, ৱাহৈ অমনা ৱা কায়হনবা ঙম্মী। লুচিংবশিংনা থম্মোয় শেংনা অমদি কাঙলোন চুম্না ৱা হায়বা হায়বসি মতমসিদা য়াম্না মরু ওইরে। হায়নীংই হায়দুনা পংহায় হায়বা, ইন্দিয়াদা পুনদ্রিঙৈগী মমাঙদা মশাগী লৈঙাক লৈজদুনা ঙমখৈ নাখৈ শেংনা ঙাকচরম্বা লম অসিনা ইন্দিয়াদা পুনশিল্লুরবা মতুংদা উনবদা রোস পীনবগুম লম্বু খুদোল ওইনা মচিৎ মচিৎ পীথোক্লরক্লবদি ৱা শোয়দনা থোক্লরক্কনি।◂◂

অপীকপনা অচৌবা মায়থীবা পীবা : পীকখ্রবা মোলিক্যুল অমনা এজমা মায়থীবা পীহনগদৌরি



এজমানা নাবদগী নুংশিৎ উতোং খুজিল্লকপগী মওং তাকপা

বেলর কোলেজ ওফ মেদিসিনগী দেভিদ কোরি

দাঃ মোর্গান নাইট

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

অচৌবখক্তনা মায় পাক্কদবা নত্তে, অচৌবখক্তনা অপীকপশিংবু মায়থীবা পীগদৌবসু নত্তে। চাওথ্রোক চাওখ্রবা মীয়াম্না কিনরবা গোলিএথপু নিংথৌ সোলনা মায়থীবা পীবা ঙল্লরোইদবগুম চাউরবনি হায়না খনখি। অদুবু দেভিদনদি করি খনখ্রিবা? মহাকসিদি চাউথ্রোক চাউবনিনা থারিবা মখৈ পানগনি, ফুরিবা মখৈ অশোয়বা লৈরোই,...। অসুম্না মালেমদা মশোং ফন্না চাউথ্রোক চাউনা মঙক হাইগৎলক্লিবা এজমাবু পীশক পীকপা দেভিদকুম্বা মোলিক্যুল অমনা মায়থীবা পীবা ঙল্লগনি হায়না 'জর্নেল ওফ বাইওলোজিকেল কেমিষ্ট্রি'দা ফোঙদোরক্লি। মসিমক য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমনি।

এজমা হায়বসি নুংশিৎ উতোং ফুঞ্জিল্লক্তুনা শ্বর হোনবদা অপনবা পীরকপা অনাবা অমনি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসনগী মতুং ইন্না মসি ওইরকপগী চপ চাবা মরম খঙদ্রি হায়না পল্লি, অদুবু মসি জিন অমসুং অকোয়বগী ফীভমগা মরী লৈনবা অনাবা অমা ওই হায়বসিদদি থোইদোক্লা য়েৎননীংঙাই ওইদে। এজমানা নাহল্লকপা য়াবা মরমশিংগী মনুংদা ১) য়ূমদা লৈরিবা এলরজেনশিং হায়বদি ফমুং, ফক অমদি অতৈ পোৎ-চৈশিংদা নপতুনা লৈরিবা মীৎনা উদবা জীবশিং ২) লৈকোলগুম্বা ইমুংগী মপান্দা শাৎপা লৈশিংগী লৈরিক অমসুং কোকফাই শুজা ৩) চুরুটকী মৈখু ৪) ইশাগা পক্লদবা পর্ফ্যুম, দিওদরেন্টকুম্বা কেমিকেলশিং অমসুং ৫) নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা পনবা য়াই।



PM431গী ষ্ট্রকচর

ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসনগী মতুং ইন্না, মী মিলিয়ন ২৩৫ মুক্তি এজমাগী অনাবা লৈ হায়রি। অনাবসি মপূং ওইনা অঙাংশিংদা য়াম্না থোক্লল্লি। চাওখৎপা ৱাৎলিবা অমসুং শেল-থুমগী ফীভম ফৎত্রিবা লৈবাকশিংদনা হেন্না নাবা থেংনৈ। লাইবক থীবা অমনা মসিবু চপ চানা মশক খঙদোক্লবা হোৎনদবা কয়াসু লৈরিবসিনি। মসিনা নারকপা মতমদা অতোপ্পা অনাবা ওইনা খনবগী ফীভমসু থোক্তবা নত্তে। 'জর্নেল ওফ বাইওলোজিকেল কেমিষ্ট্রি' দা ফোঙখিবা পাউদমদুগী মতুং ইন্না চাওরাক্লা অমেরিকা মচা মিলিয়ন ৩০মুক্তি এজমাগী অৱাবা মায়োক্লে, অদুগা মিলিয়ন ৩মুক্লা হেন্না শাথিবা ফীভমদা লৈ হায়রি।

বেলর কোলেজ ওফ মেদিসিন্দা মেদিসিন-ইম্ম্যুনোলোজি, এলর্জি অমসুং রিউমেটোলোজিগী প্রোফেসর ওইরিবা ডা. দেভিদ কোরিনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, হৌখিবা চহী ৭০-৮০ রোমসিদা এজমা লায়েংনবগী কাঙলোনসিদা হেন্না খুমাঙ চাউশিল্লবা মওং অমা লাক্ত্রি হায়না ফোঙদোক্লি। হৌজিক শীজিন্নরিবা লায়েংবগী মওংসি এজমাগী হৌরকফমবু লাকশিনবগী মহুত্তা খুজিল্লক্লিবা নুংশিৎ উতোংবু ইনহেলরগুম্বা হীদাক শীজিন্নদুনা লাউথোকহনবনি। অতোপ্পা অমরোমদনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নদুনা ইনফ্লেমেসনগী চাং হন্থহনবনি। মসিনা লায়নাসিবু চপ চানা লাকশিনবদি ঙমহন্দে। অদুনা কোরিনা লুচিংদুনা নুংশিৎ উতোং ফুঞ্জিনহল্লকপসি করি করম্বা মোলিক্যুলশিংনা থোকহনবনো হায়না চহী ২০ লোমসি থিজিল্লকখিবনি।

কোরিগী লেবতা থিজিল্লকপসিগী মহয় ওইনা STAT6 হায়না খঙনরিবা ট্রান্সক্রিপসন ফেক্টরসিনা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বসি খঙলকপা ঙমখি। হকচাং মনুংদা চঙলক্লিবা এলরজেনশিংনা ইম্ম্যুন সেলশিংবু এক্টিভেট তৌহন্দুনা IgE এন্টিবোদিশিংগী অকনবা রেস্পোন্স থোকহনবগা লোয়ননা সাইটোকাইন্স হায়না খঙনবা ইম্ম্যুন মেদিএটরশিং থাদোরকই। মরুওইনা সাইতোকাইন IL-4 অমসুং IL-13 না এজমা ওইহল্লকপদা মতেং পাংই। সাইতোকাইন অনীসিনা STAT6 পু এক্টিভেট তৌহন্দুনা নুংশিৎ উতোং খুজিলহল্লকই। থিজিল্লিবশিংনা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা জিন্দা শেমদোল্লবা উচিশিংদা STAT6 য়াওহল্লমদে। অসিগুম্বা উচিশিংদা এজমা নারকপগী খুদম অমত্তা ফংলমদে। অদুনা STAT6 হায়বসি এজমা নাহল্লকপগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরম অমনি। STAT6 পু এক্টিভেট তৌহন্নবগীদমক IL-4 অমসুং IL-13 না ইম্ম্যুন সেলশিংদা য়াওরিবা মরী লৈনবা রিসেপ্টরশিংগা পুনশিন্নৈ। অসিগুম্বা রিসেপ্টরশিংসিনা IL4R-alpha কৌবা সব য়ুনিটশিংগা পুন্দুনা STAT6 পু এক্টিভেট তৌহল্লি। অদুবু লেবসিদা মখা তানা থিজিনবা মতমদা খঙলকখিবদি তোপ তোপ্পা রিসেপ্টরশিংনসু STAT6 পু এক্টিভেট তৌহল্লি হায়বসিনি। অদুনা STAT6 কী মথৌবু হকথেংননা থিংবা ঙম্বা অপীকপা মোলিক্যুল অমা পুথোক্লবগী খোঙথাং লৌখৎলকপনি হায়না মোর্গান্না ফোঙদোক্লি।

অসুম্না থিজিল্লকপসিগী মহয় লইনা, PM431 হায়না খঙনবা অপীকপা মোলিক্যুলসিনা STAT6 পু থিংদুনা থল্লগা উচিশিংদা এজমাগী অনাবা লৈহন্দবা থেংনরকখিবনি। PM431 গী চাংসি য়াম্না হন্থনা হায়বদি কিলোগ্রাম অমা লুম্বা উচিদা শুপ্নগী মাইক্রোগ্রাম ০.২৫ খক পীজবা মতমদা হান্না লৈরম্বা এজমাগী অনাববু ফহনবা ঙল্লম্মী। য়াম্না নুংঙাইরিবা ৱাফম অমনা, PM431 সি কিদনিগী মতেংনা হক্কী ঈশিং ওইনা হকচাংদগী থাদোকখিবা ঙম্বনা তুং কোয়না হকচাংদা হু ওইনা লৈহৌদে। অপীকপা মোলিক্যুলসিগী অতোপ্পা কান্নবা অমনা, অতৈ অতোপ্পা এজমাগী লায়েংদা ষ্টেরোইদ পীজবগী মথৌ তাবগুম্না ষ্টেরোইদ পীজরুবগী মথৌ তাদে। ষ্টেরোইদ চাবগী কান্নদবা অমদি মসিনা ইম্ম্যুন সিষ্টেম্না মহীকশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী চাং হন্থহনবসিনি। অদুনা এজমানা নারবা মীশিংনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নবদগী ন্যুমোনিয়ানা নারকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈ। অসিগুম্বা খুদোংচাদবসি PM431 দদি থোক্লরোই মরমদি লায়েং কাঙলোনসিদা ষ্টেরোইদ শীজিন্নবগী মথৌ তাদে হায়না কোরিনা ফোঙদোক্লি।

অতোপ্পা থিজিল্লিবশিংনা এজমা লায়েংনবগী অনৌবা কাঙলোন পুথোকপা লৈখ্রে। মখোয়গী কাঙলোনসিদা মোনোক্লোনেল এন্টিবোদিশিং শীজিন্নদুনা IL4R-alpha গী মথৌদা অপনবা পী অদুগা STAT6 পু থিংদুনা থম্মী। অসিগুম্বা কাঙলোনসি য়ু এস এগী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন্না অয়াবা পীরবা য়াবগী ফীভমদা লৈখ্রে। অদুবু কোরি অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা হায়রিবদি অচৌবা এন্টিবোদিশিং শীজিন্নবসিদগী মখোয়গী অপীকপা মোলক্যুল শীজিন্নবসিনা হেন্না খুদোং চাগনি হায়বসিনি। মরমদি অপীকপা মোলিক্যুলশিংসি শুংবদা হেন্না লাইবগা লোয়ননা শেল চঙবগী চাংসু হন্থৈ। অদুগা এন্টি বোদিশিংদগী অপীকপা মোলিক্যুলসিনা STAT6 পু হেন্না ফজনা থিংবা ঙমগনি হায়না কোরিনা হায়রি। হৌজিক এজমা লায়েংবদা শীজিন্নরিবশিং অসিদি মরুওইনা নুংশিৎ উতোংবু লাউথোকহন্দুনা শ্বর হোনবদা অপনবা থোকহনদবনি। মসিদি এজমাবু লাকশিনবা নত্তে। PM431 শীজিন্নবা হায়বসিদি এজমাবু লাকশিনবনি হায়বদি এজমাগী মরূ ফুক্তোকপনি হায়না কোরিনা মত পীরি। হৌজিক্কী ওইনদি চাংয়েংসি উচিশিংদা পাঙথোকপনি। মখা তানা মীওইবদা চাংয়েংশিংপাঙথোক্লবগী থৌরাং পায়খৎলি। চাংয়েংসিদসু মায় পাক্লবদি এজমা নারিবশিংদা অচৌবা কান্নবা অমা পীরগনি।◂◂